**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 14-02-2025)**

**পিআর (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙরাংদগী রাস্ত্রপতি সাসন থমখ্রে।

থা অসিগী ৯ দা শ্রী নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা মুখ্য মন্ত্রিগী ফম থাদোকখিবা অমসুং অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি খনবা ঙমদবদগী রাজ্য অসিদা রাজনিতিগী চরাংনবা থোক্তুনা লাকখি।

অমরোমদা, বিধান সভা মীফম অনিগী মরক্তা থা তরুক্কী মতম হেন্দে দারকপদগী সরকারনা করি থৌরাং লৌখৎলক্কদগে হায়বদু মীয়ামনা ঙাইনদুনা লাকপনি।

মরক অসিদা, কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না সরকারগী চেরোল অমা থোক্তুনা মনিপুরদা রাস্ত্রপতি সাসন থমলে হায়না লাউথোরকপনি। চেরোল অদুদা হায়- মনিপুরগী রাজ্যপালনা পীরকপা রিপোর্ট অমা কুপা খন্নরবা মতুংদা ভারত সংবিধানগী আর্টিকল ৩৫৬ কী মখাদা রাজ্য অসিদা রাস্ত্রপতি সাসন থম্লকপনি। রাজ্য বিধান সভা হৌজিক সসপেন্দেদ এনিমেসনদা থমলে।

মনিপুরদা রাস্ত্রপতি সাসন লৈখিবা হন্দক্কী অসিগা থারগা ১১ রক শুরে। মনিপুরদা ইহান হান্না ১৯৬৭ তা রাস্ত্রপতি সাসন থমখি। মদুগী মতুং চহি অমা লৈরগা অমুক হন্না রাস্ত্রপতি সাসন লৈখি। ইং কুমজা ১৯৭২, ১৯৭৪, ১৯৭৭, ১৯৮০, ১৯৮১, ১৯৯২, ১৯৯৪ অমসুং ২০০১ দগী ২000 ফাওবা থা তরুক্কী ওইনা রাস্ত্রপতি সাসন থমখি। হন্দক্কী রাস্ত্রপতি সাসন অসি চহি ২৩ গী মতুংদা থম্লকপনি।

**সিআরপিএফ (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাংদা লৈবা সি.আর.পি.এফ. কেম্পতা ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ লোম তাবা অদুৱাইদা সি.আর.পি.এফকী জৱান অমনা নোংমৈ কাপথোরকপদগী জৱান অনি শিরে, অতোপ্পা জৱান ৮ না

অশোক অপন নংখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-সি.আর.পি.এফকী জৱান অদু মশা মথন্তা নোংমৈ কাপশিনদুনা শিজখিবনি। জৱান অদু এফ.ৱান টৌইন্তি কম্পানিগী সি.আর.পি.এফতা লৈবনি। থৌদোক থোকফমদা পুলিস অমসুং সি.আর.পি.এফকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং চংশিন্দুনা য়েংশিনখি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংদা থিবা হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক চথখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা আইগেজাং নেপালি কুতিদগী থ্রি নোট থ্রি স্নাইপর রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল মরি, এস.বি.বি.এল. গন অনি, পোম্পী অহুম, হেন্দ গ্রেনেদ মঙা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

অমরোমদা, চান্দেল জিলাগী চকপিকারোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা গেলজাং অমসং তাইজাংদগী সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম. টাইপ বি (ৱান) গী এসোল্ট রাইফল অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু তরেৎ, নাইন এম.এমগী নোংমৈ মরু য়াওনা অতৈ পোকখায়বা য়াবা পোৎলমশিং ফাগৎখি।

**মেট ঃ** মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-অরুনাচল প্রদেস, অসাম অমসুং মেঘালয়দা ঙসি ফাওবা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুগনি।

অরুনাচল প্রদেসকী মফম খরদা ঙরাং অকনবা নোং চুখি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়-মনিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরাম, ত্রিপুরা, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং সিক্কিমদা পারপনা নোং তাগনি। মনিপ্রগী মফম অয়াম্বদা ঙরাং অহিং পারপনা নোং চুখি।

**গেমস (এল)ঃ** ৩৮ শুবা নেসনেল গেমস ঙসি লোইশিল্লগনি।

গেমস অসি উত্তরাখন্দনা যুম্বু ওইদুনা মমাং থাগী ২৮ দগী চত্থরকখিবনি।

মনিপুরনা হৌজিক ফাওবদা গেমস অসিদা সনাগী তকমান ১৪, লুপাগী তকমান ১৬ অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান ২৫ য়াওনা পুন্না তকমান ৫৫ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী ১১ শুবা মফমদা লৈরে।

সাভির্সেস স্পোর্টস কন্ত্রোল বোর্ডনা সনাগী ৬৮, লুপাগী ২৬ অমসুং শেঞ্জেংগী ২৭ পুন্না তকমান ১২১ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

মহারাস্ত্রনা সনাগী ৫৪, লুপাগী ৭১ অমসুং শেঞ্জেংগী ৭৩ পুন্না তকমান ১৯৮ ফংদুনা অনিশুবদা অদুগা হরিয়ানানা সনাগী ৪৮, লুপাগী ৪৭ অমদি শেঞ্জেংগী ৫৮ পুন্না তকমান ১৫৩ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

মথংগী নেসনেল গেমস মেঘালয়না যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি।

**পিএম (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্প ৱাশিংটনদা উন্নখ্রে।

রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্পনা অনিরকশুবা ওইনা রাস্ত্রপতি ওইরকপদগী প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা আমেরিকা চৎপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

রাস্ত্রপতিনা মহাক্কী ফ্রান্স খোঙচৎ লোইরবা তুংদা ৱাশিংটনদা থুংখিবনি। লৈবাক অনিগী লুচিংবশিংনা উন্নখিবা অদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহনবগা লোয়ননা টেরোরিজম থেংনবা, সাইভর সেক্যুরিতি অমদি তোঙান তোঙানবা লমদা শিংনরকপশিং থেংনবা ঙমহল্লগনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

**পঞ্চায়ট ঃ** পঞ্চায়েটি রাজকী রাজ্য মন্ত্রি-প্রোফেসার-এস.পি.সিংহ বাঘেলনা ষ্টেটস ওফ দিবোলুসন টু পঞ্চায়টস-এন্দ ইন্দিকেটিব ইভিদেন্স ভেষ্ট রেঙ্কিং ২০২৪ হায়না মিংথোনবা দিবোলুসন ইন্দেক্স রিপোর্ট অমা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুগা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-ইন্দেক্স রিপোর্ট অসিনা পঞ্চায়টকী মরুওইবা শরুকশিং মরুওইনা ফ্রেমৱার্ক, পঞ্চায়টকী তৌগদবা মথৌশিং, শেল থুম, কেপাসিতি বিল্ডিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা কুপা য়েংশিনগনি। ইন্দেক্স অসিবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-পঞ্চায়ট হায়বসি গনতন্ত্রগী খ্বাইদগী মপাঙ্গন কনবা ইন্সটিট্যুসন অমনি। মখা তানা ইন্দেক্স রিপোর্ট অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা দি-সেন্ট্রেলাইজেসনগী প্রোগ্রেস কয়াগী মতাংদা মরুওইবা পাউদমশিং ফংহনগনি।

**পঞ্জাবঃ** পঞ্জাব সরকারনা নুপী অমসুং নহাশিংবু পুকিং থৌগৎনবগী পান্দমদা ঙা য়োকপবু শিনফম অমা ওইনা লৌখৎনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলে।

থা খুদিংগী নহাশিং অমসুং নুপীশিংদা ট্রেন্নিং কয়া পীদুনা ঙাগী পোৎথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনগনি অমদি ঙা মচাশিং অতাবা মমলদা ফংহনগনি হায়রি।

পঞ্জাবকী ফিসরিজ মন্ত্রি-গুরমিত সিংহনা হায়-ঙা য়োকপা পামজবা মীওইশিং অমদি শিনফম অসিবু পায়খৎনিংবা মীওইশিংদা সরকারনা শেলগী তেংবাংসু পীগনি। রাজ্য অদুদা পুন্না লম একর লিশিং ৪৪ দা ঙাগী ফার্ম তৌরি। মসিদগী চহিগী ওইনা ঙা টোন কোতি অমা লাখ ৮১ পুথোক্লি।

**কুম্ভাঃ** মহা কুম্ভা মেলাগী ত্রিবেনি সঙ্গমদা ঙরাং অথেংবা ফাওবদা ভক্তা লাখ ৮০ হেন্না স্নান তৌখ্রে।

কুম্ভে অসিনা লৈবাক অসিগীদা নত্তনা মপান লৈবাক্তগী ভক্তা কয়ামরুমগী পুকিং চিংশিনবগা লোয়ননা মপান লৈবাক্তগী ভক্তা কয়ামরুমসু ইরুপ্পা লাকরি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-হৌজিক ফাওবদা শকাইরবা মীওই কয়া য়াওনা ভক্তা কয়ানা দিপ অসিদা স্নান তৌখ্রে।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

রাজ্য অসিদা প্রসিদেন্টস রুল থমখিবগী পাউনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুরদা আর্টিকল ৩৫৬ গী মখাদা প্রসিদেন্ট রুল থমখ্রে। ষ্টেট লৈঙাক্কী থবক থৌরম খুদিংমক প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা পায়শিনখ্রে। এসেমব্লি সসপেন্দেদ এনিমেসনদা থমখ্রে হায়বা পাউ সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক ঈচেল এক্সপ্রেস, মনিপুর মেল, হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মনিপুর ন্যুজ, গানফিয়ু মেল অমসুং তমেংলোং টাইমতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিগা মরী লৈননা এসেমব্লি দিজোল্ভ তৌবা লৈত্রি। লৈঙাক শেম্বগী তঞ্জা পীদুনা সসপেন্দেদ এনিমেসন থম্বনি হায়না বি.জে.পি. প্রসিদেন্ট-সরদা দেবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম ঈচেল এক্সপ্রেসকা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুরগী ফেন্সিং অমসুং জ্‌দো টিমনা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মেদল লৌখিবগী পাউ মনিপুর মেলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সি.আর.পি.এফনা ঙাক শেল্লিবা মফমশিং অমসুং লৌরকপা য়াবা থৌদাংশিং গভনরদা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

খুল ঙাকপা হাৎখিবা অমদি ফাখিবগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম কয়া ফমখিবগী পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হন্দক্কী অসিগা থারগা মনিপুরদা পি.আর. থল্লকখিবা ১১ রক শুবনি হায়বা পাউ সঙাহ এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সি.আর.পি.এফ. জৱান অমনা কাপ্পদা মশা য়াওনা অহুম শিরে, ৮ শোক্লে

হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সেন্টরগী থৌওং অমসুং মনিপুর লৈঙাক্কী অশোয়বশিং কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা পেন্দবা ফোংদোকখিবগী পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

বি.জে.পি. নোর্থ ইষ্টকী ইন-চার্জ সম্বিৎ পত্রাদা জেট কেটেগোরিগী সেক্যুরিতি পীখ্রে হায়বা পাউ মনিপুর ন্যুজগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্পকা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ৱাফম খন্নখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।